# সিএম ইবোবীনা এনসিটিসি লিংখৎপদা নাকোয়ননা শৌগৎখ্রে

## মীওইবগী হক খোঙ্গাউনহল্লোইদবনি-ইবোবী

*নিউ দিল্লি, মে ৫ঃ* নেস্নেল কাউন্টর টেরোরিজম সেন্টর (এন সি টি সি) লিংখৎপা মতমদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা সিটিজনশিংগী মীওইবা অমা ওইবগী হকশিং অদু খোঙ্গাউদনবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

এন সি টি সিগী মতাংদা ঙসি বিজ্ঞান ভবনদা পাঙথোকপা চিফ মিনিষ্টরশিংগী কনফরেন্সতা ৱা ঙাংলদুনা ইবোবী সিংহনা হায়খি, ''অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ৪৩ এ গী মখাদা মীফা-মীপুন তৌনবা শক্তিশিং অখাকপা লৈতনা পীবগা লোয়ননা ঐখোয়গী মীয়ামগী বেসিক ওইবা হ্যুমেন রাইটশিং অদুবু ঙাক-শেন্দুনা থম্না হায়বসিসু গভর্নমেন্টকী তৌফম থোকপা মথৌনি।''

টেরোরিষ্টকী থবকশিং চত্থরে হায়না চিংনবা মীওই খুদিংমকপু ফাগৎনবা অমসুং ফাজিন্দুনা থম্নবগীদমক্তা এন সি টি সিগী ওফিসিয়েলশিংনা ষ্টেট পুলিসকা অরোনবা ঈ-পাউ খঙদোকমিন্নবগা লোয়ননা ওপরেসনশিং পাঙথোকমিন্নফম থোকই হায়না মহাক্না মত পীখ্রে। ফারবা মীওই অদু মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নগদবনি অমসুং পুন্না মচিন হংমিন্নগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ইবোবীনা হায়খি, ''অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট অসিগা চপ মান্ননা আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮ দা য়াওরিবা ফারবা মীওইশিংবু ষ্টেট পুলিসতা খুৎশিন্নবগী প্রোভিজন অমশু অরানবা মওংদা শীজিন্নরে হায়না য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবগা লোয়ননা মীওইবগী হক খোঙনেৎনবগী কেস কয়ামরুম রিপোর্ট তৌনরি।''

লৈবাক থুগাইনবা শিনবা অমসুং এন্টি-নেস্নেল ইলিমেন্টশিংগী টেরোরিজম অমসুং টেররগা মরী লৈনবা থবক-থৌওংশিংবু লাকশিন্নবগীদমক্তা মনিং তম্না কাউন্টর-টেরোরিজমগী অরোনবা ঈ-পাউ খোমজিন্নবা অমসুং মতম চানা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা এন সি টি সিবু ইন্সটিট্যুস্নেল মেকানিজম অমা ওইনা লিংখৎনবা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টকী ৱারেপতা মণিপুর গভর্নমেন্টনা য়ানিংই হায়না চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী মতাংদা ইবোবী সিংহনা হায়খি, ''মশিং থিঙমদ্রবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা লৈবাক থুগাইনবা হোৎনবা, লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক কয়া চত্থবা অমসুং এক্সটোর্সন, শেলগীদমক্তা মী ফাবা, চাওখৎ-থৌরাংগী থবক তৌরিবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং কন্ট্রেক্টরশিংদা কিহনবনচিংবা লুরবা মনুংগী ওইবা শিংনবা অমা মণিপুরগী মীয়াম্না মায়োক্লরি।''

এন এস সি এন (আই-এম) গী কাদরশিংনা নেস্নেল হায়ৱেশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং ষ্টেট পুলিসকী মীওইশিং লৈনা লৈনা ট্রান্সপোর্টরশিংদগী শেল মুনবগী থবক পাক শন্না চত্থরি। মিলিটেন্টশিংনা নমদুনা শেল লৌনবা দিমান্দ তৌনরকপদগী জিরিবামদগী তুপুল অমসুং ইম্ফাল য়ৌরক্নদবা রেলৱে লাইন অসিনচিংবা নেস্নেল প্রোজেক্টশিংগী থবক পুম্নমক শাথিনা অপনবা থোকহল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ''ইহো হোবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর অসি আসাম রাইফলসনা পরিং থুংনা ঙাক-শেনবা ঙমদবদগী মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা অফবা মখলগী খুৎজু-খুৎলাইশিং অমসুং নোংমৈ মরূ কয়া নারোনদা পুশিল্লকপদা য়াম্না লায়না থোক্লি। অসিগুম্বা খুৎলাই অমসুং নোংমৈ মরূশিং অসি কন্ট্রেক্টর, সপ্লায়র, ইঞ্জিনিয়র অমসুং ওফিসিয়েলশিংদগী নমদুনা শেল মুন্নবা হোৎনবদা অকি-অখং পোকহন্নবা পান্থৈ অমসুং ৱেলফেয়ার স্কিমশিংবু থবক্তা ওন্থোক্লবা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী শক্তিবু মনিং হলহল্লিবা লুরবা প্রোব্লেম অসিনা শোক্তবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা মণিপুরদা লৈরক্ত্রে।''

''অসিগুম্বা লৈবাক মনুংগী সিক্যুরিটিগী ফিভম অসিদা হকথেংননা অরোনবা ঈ-পাউ খোমজিনবা অমসুং অদুগুম্বা ঈ-পাউশিং অদুবু পুন্না খঙদোকমিন্নবগীদমক্তা কান্নগদবা অমসুং ইন্সটিট্যুসন অমা ওইনা লিংখৎলবা ইন্টেল্লিজেন্সকী থৌদাং অসি য়াম্নমক মথৌ তাই'' হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।

এন সি টি সিগী ৱাফমগা মরী লৈননা ইবোবী সিংহনা হায়খি, অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ২ (ই) গী মখাদা ষ্টেট হোম সেক্রেটরিবু ''দিজিগনেটেদ ওঠোরিটি'' ওইনা হাপ্লি। অসিগুম্বা, এন্টি-টেরোরিজম স্কৱাদ (এ টি এস) কী হেদশিংদা শক্তি পীনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী প্রোপোজেল অসিবু মণিপুরনা য়াবা ঙম্লোই, মরমদি মসিনা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মনিং তম্না লো এন্দ ওর্দর ঙাক শেনবগী হক অদু মাঙহল্লগনি।'' ওপরেসন খুদিংমক ষ্টেট পুলিসকা পুন্না পাঙথোকমিন্নগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

নেস্নেল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) নত্রগা স্পিসিয়েল ফোর্স মখল খুদিংমক শীজিন্নবা ঙম্বগী শক্তি পীরিবা, এন সি টি সি শেম্বগী মেমোরেন্দম অদুদা য়াওবা পেরা ৩.৪ গী মতাংদা মহাক্না সেন্টরগী পুক্নিং চিংশিনখ্রে। কেস পুম্নমক্তা এন সি টি সিনা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী অয়াবা হান্না লৌবা চুমগনি হায়না মহাক্না মত পীখ্রে।

অদুম ওইনমক, ষ্টেট পুম্নমক্কী মীহুৎশিং য়াওগদবা ষ্টেন্দিং কাউন্সিল অমা শেম্নবা প্রোপোজেল অদুবুদি সিংহনা য়ানিংবা ফোঙদোকখ্রে। কাউন্সিল অসিনা কাউন্টর টেরোরিজমগী থবক পুম্নমক খুৎশম্ননা পায়খৎমিন্নবা পান্থৈশিং অদু পুথোকপদা মতেং ওইরগনি। ষ্টেট অমা হেন্না চেন্নবা অকক্নবা অরোনবা ঈ-পাউশিং নত্রগা টার্গেটশিংগী খোঙ্গুল লিরুনবগীদমক্তা স্পিসিয়েল টিমশিং লিংখৎপা হায়বসি ষ্টেটকী বোর্দর ৱাংমা লান্না থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসনশিংগা থেংনরকপদা কান্নগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

কনফরেন্স অদুদা মণিপুরগী হোমগী মিনিষ্টর গাইখাঙম, চিফ সেক্রেটরি দি এস পুনিয়া অমসুং দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস রত্নাকর বরালশু শরুক য়াখি।

# ষ্টেট ১০গী চিফ মিনিষ্টরনদি য়ানিংদ্রি

*নিউ দিল্লি, মে ৫ঃ* ঙসি নিউ দিল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ, হোম মিনিষ্টর পি চিদম্বরম অমসুং ষ্টেটশিংগী চিফ মিনিষ্টরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা য়ানবা অমা পুরকপা ঙমখিদবগা লোয়ননা নেসনেল কাউন্টর টেরোরিজম সেন্টর(এনসিটিসি) লিংখৎপগী ৱাফম অসি তন্থা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈখ্রে।

তোঙান তোঙানবা পাউশিংগী লিখুনশিংনা টামিলনাডুগী চিফ মিনিষ্টর জে জয়াললিতা অমসুং উরিষাগী চিফ মিনিষ্টর নবিনপাটনয়ক অনিনা এন্টি টেরর এজেন্সি অসি শেম্নগী মতাংদা খন্ন-নৈননবা সব-কম্মিটি অমা শেমগদবনি হায়না তকশিনখ্রে হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনরজি অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চিফ মিনিষ্টর ওমর অব্দুলা অনিনা এনসিটিসি অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখ্রে হায়রি।

উমর অব্দুলানা ইশুশিং অসি মমাং থাদা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি আরকে সিংহনা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ওফিসিয়েলশিংগী মীটিংদসু পুথোকখ্রবনি। অদুবু সেন্টরনা নৌনা য়েংহোরক্লিবা অনৌবা দ্রাফতদি ৱাফমশিং অদু অমত্তা য়াওহল্লক্ত্রে। এনসিটিসিবু খ্বায়দগী মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন্দা ফারবা মীওইশিং অমসুং পোৎশকশিংবু খুৎশিন্নহনগনি হায়রিবা ৱাফমশিং অসি হৌজিক চৎনরিবা আমর্দ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্টকী প্রোভিজনশিং অদুগা করিসু খেন্নবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা ৱাফম অসিনা রাজনিতিগী অরুবা ফিভম অমা মায়োক্নরিবা মহাক্কী ষ্টেটতা য়াম্না হকচিনবা থৌওং কয়ামরুম থোকহল্লক্কনি। জম্মু এন্দ কাশ্মির গভর্নমেন্টনা অফস্পা লৌথোকহনখিনবা হোৎনবদা ষ্টেট অদুগী মীয়াম্না তরাম্না ওক্লরি। মরম অসিনা এনসিটিসিগী মফমদা অসুক য়াম্বা শক্তি পীবা হায়বসি মফম খরদগী অফস্পা লৌথোকহনখিনবা হোৎনরিবা খোঙজং অসিগী মায়োক্তা লৈবা ওইনা থোক্কনি হায়নসু অব্দুলানা মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী খন্ন-নৈনবা অদুদা অসাম চিফ মিনিষ্টর তরুন গোগোইখক্তংদি এনসিটিসি অসি মহাক্না শৌগৎপা তারবসু কন্দিসন খরগী মখাদা শৌগৎকনি হায়বা ৱাফম অসি পল্লদুনা হায়ফেৎ য়ানিংদবা মত অমা ফোঙদোকপা কংগ্রেসকী চিফ মিনিষ্টর ওইখি হায়রি।

কাউন্টর টেরোরিজম এজেন্সি অসিবু গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিউ দিল্লিদা থোকখিবা বটলা হাওস ইন কাউন্টর অদু পল্লদুনা সেন্টরগী মমায় অনি লোংবা ফিরেপ অদুনা য়েক্লবা মশক ফোঙদোকপা ঙমদে হায়বসি উৎখ্রে হায়না য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, বটলা হাওস ইন কাউন্টর অদু থোকখিবা চহি ফনা য়াগ্লে। অদুবু য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা ঙসি ফাওবদা থৌদোক অদু টেরোরিষ্টশিংগা দিল্লি পুলিসকা অশেংবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্না হায়বসি অশেংবা অমা খঙবা ঙমদনা লৈরি। দিল্লি পুলিস অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মখাদা মথৌ তৌরিবনি।

থৌদোক মচা অদুদা চেন্নরিবা য়েক্লবা অদু ফাওবা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা ময়েক শেংনা মশক খঙবা ঙমদ্রগা টেরোরিজমগী মায়োক্তা গভর্নমেন্ট অসিনা অকনবা খোঙজং অমা চংশিনগনি হায়রিবসি ওইথোকপা য়ারোই হায়না মোদিনা ফোঙদোকখ্রে। টামিলনাডুগী চিফ মিনিষ্টর জে জয়াললিতানসু এনসিটিসি অসিগী মায়োক্তা কন্না য়ানিংদবা উৎলদুনা ষ্টেটশিংবু হোম মিনিষ্ট্রিনা ছত্রংগী খোংনাওবীগুম্না লৌরে হায়না মরাল শিখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হৌজিক, নোটিফাইদ তৌরিবা এনসিটিসি অসি চৎনহনবা তৌদনা থমগদবনি। ৱাফম অসি মহাক্না মমাংদসু প্রাইম মিনিষ্টরদা ইখিবা চিঠি অমদা খঙহনখ্রবনি। চিফ মিনিষ্টরশিংগী সব-কম্মিটি অদুনা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্ত্রিবমখৈদি এজেন্সি অসি লিংখৎপা য়ারোই। এনসিটিসিগী নোটিফিকেসন অদু হন্দোক্ত্রিমখৈদি এজেন্সি অসি লিংখৎপগী মতাংদা খন্ন-নৈনরিবা পুম্নমক অসি অরেম্বা তাগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মসিগীসু মথক্তা ছটিসগরগী চিফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা এনসিটিসিদা পীরিবা শক্তিশিং অসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি অমসুং এমেন্দমেন্ট কয়ামরুম পাঙথোকপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখ্রে। মীফা মীপুনগী কেসশিংগা থেংননবগীদমক্তা নেসনেল হোষ্টেজ পুলিস অমা লিংখৎনবসু মহাক্না দিমান্দ তৌখ্রে।

গভর্নমেন্টকী প্রপোজেল অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা উরিষাগী চিফ মিনিষ্টর নবিন পটনায়ক্না মালেম অসিদা চৎনরিবা কনাগুম্বা দিমোক্রেসি অমত্তনা মশা মশাগী সেক্রেট ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংদা শক্তি অসুক য়াম্না পাক শন্না পীবা অসি তৌনদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মমাংদা মীটিং অদু হৌদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা ষ্টেটশিংগী মফমদা এন্টি টেররগী বোদি অসিনা ষ্টেটশিংগী রাইটশিংদা অকায়বা থোকহনবা তৌরোই হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু হোম মিনিষ্টর চিদম্বরমনদি টেরর হায়বসিনা ষ্টেটকী বাউন্দরিশিংবু মশক খঙবা তৌদে হায়বা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা এনসিটিসিবু শৌগৎখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা কাউন্টর টেরোরিজমগী ওপরেসনশিং পাঙথোক্লবগীদমক্তা অসুপ্পা শক্তি লৈবা এজেন্সি অমা দরকার লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এনসিটিসি অসিনা ষ্টেটশিংগা কাউন্টর টেররগী থবকশিংবু খুৎশম্ননা পাঙথোকমিন্নবগা লোয়ননা ষ্টেট খুদিংমক্কী মফম টেররনা কিহল্লকপগী অশেংবা শক্তম অদু উবা ফংহল্লগনি হায়নসু পিএমনা মখা তাখি।